হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মে০৭, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৪৪শুবা মশীং

# ঈরম-খোংলম মওং তাদবা

## নোং খজিক্তং তাবদা লৈরক-কোন্সাং, লম্বী ঈশিং থুম্ফম থোক্তে

মৈহৌরোলদগী হৌনা মণিপুরদা থা খুদিংগী য়াম্বা য়ামদবা নোং খরদি অদুমক চুই। ৱাকচিংগী উন তাখ্রবা মতম অদুদফাওবা নোং মরিক খরদা ওইরগসু খিক্ত্রগদি মফমদু লৈহৈদ্রে হায়নরিবনি। মীয়াম্না নোংজু থা হায়না লৌনরিবা অসিদি মৈতৈগী থাচৎতা য়েংলুরগনা ইঙা-ইঙেন হায়বসিনি। গ্রেগোরিয়ন কেলেন্দরগী মতুং ইন্না হায়বা তারগনা জুন-জুলাই অসিনি। মতমসিদা মোন্সুনগী নোং মরাং কায়না চুই। মসিনা তুরেলশিং ঈশিং পানা চেনবা অমসুং ষ্টেট অসিদা ঈশিং-ঈচাউ থোকপগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা তানফম ওই। মসিগী মমাঙ এপ্রিল অমসুং মে থাদা প্রী মোন্সুন হায়দুনা অকনবা নোংলৈ খরা লাকপসি অদুম চৎনৈ। হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা চুরিবা নোং অসিসু প্রী মোন্সুনগী মচৎনি। করিগুম্বা মতমদা মোন্সুন অমসুং প্রী মোন্সুন অসি শমজিন্নদুনা থা অমরোম নোং চুবগী থৌদোক থোক্তবা নত্তে। অইং-অশাগী খল কায়থরকপা মরম্না ঈশিং নুংশিৎকী ফীভমদা অহোংবা লাকপগী চৈথেং মণিপুরদসু য়ৌরকই। মমাঙ চহীদা সাইক্লোন মোরা য়ৌশিল্লক্তুনা মণিপুরদা কা হেন্না নোং চুখি। মদুনা মরম ওইরগা থেঙ্খাং কয়ারক্তা ঈচাউ থোক্তুনা মীয়াম অৱাবা নংখি। মহৈ-মরোং লুপা ক্রোর কয়া মরুমগী মাঙহনখি। লম্বী থোং অয়াম্বা য়াহনখিদে। চীং নীংখাইরকপগী থৌদোকশিং থোক্তুনা মীশি-মীনা নংবা ফাওবা য়াওখি। অসিগুম্বা মখলগী ঈচাউ থোকপা হায়বসি চহী অমগী মনুংদা অমুক্তি শোয়দনা নংলগদবনি। কুম কাংবা হায়বা অমসু মীরোল অসিনা থেংনরি। চুগদবা কুমগী নোং অদু মতম চানা চুরক্তবদগী লৌ পানবা য়ানদবা কুম অদুবু মীয়াম্না কুম কাংবা হায়রগা খঙনৈ। মসি মণিপুরদা চহী ১০গী মনুংদা অমুক্তি অদুম থোক্তুনা লাক্লবা মচৎ অমা ওইরি। হায়রিবা পূম্নমকশিং অসি ষ্টেট অসিগী ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনা কুপ্না য়েংলগা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। হৌজিক্তি মালেমগী হায়দ্রোলোজিগী মরমদা নৈনবা অখঙ-অহৈ কয়ামরুম লৈরে। করম্বা মতমদা নোং চুরকপা য়াই অমসুং নোং কয়াম য়াম্বগী চাংদা চুগদবগে হায়বনচিংবা মাঙজৌননা প্রিদিক্ট তৌবা ঙম্লে। নুমিৎ ৫/১০নি ৱাৎলিঙৈদগী হৌনা মায়কৈ অদোমদা নোংলৈ-নুংশিৎ লাক্কনি, অকনবা নোং চুরগনি হায়বসি মীয়ামদা খঙহনবা ঙম্লে। মসিনা লৌউ-শিংউগী লমদা লৌমীশিংদা খুদোংচাবা পীবদা নত্তনা মীওইবা খুন্নাইদা থোক্লগদবা খুদোংথিবা কয়া অদু মতম চানা কনবা ঙম্লে। অদুবু মসিগী কান্নবা অসি মণিপুর লৈঙাক্লা লৌশিল্লগা মীয়ামদা খঙহনবগী খুদোংচাবদি নীংথিনা ফংহনবা উদ্রি।

শাংলবা চহী কয়াদগী মণিপুরদা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মনুংদা নোং খজিক্তং তাবদা লৈরক-কোন্সাং, লম্বী অমসুং মরুওইবা মফম কয়ামরুম ঈশিং থুমজিনবসিনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি করম্না থোরকপনো অমসুং করম্না কোকহনগনি হায়বসি ইচম চম্বা মীওই অমনসু হেক্তমক হায়বা ঙমগনি। তৌবদদি থবক ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈঙাক্লা ইস্যু অসিদা মীৎয়েং চঙদবদৌনা তৌই। ঈশিং হায়বসি অৱাংবদগী অনেম্বদা চৈন্থে, পল অমা থিংজিল্লগদি ঈশিং তুংলগা লৈ হায়বসি ইচুমদা চুল্লবা ৱাফমনি। অচুম্বা ৱাফম অসিমক ঐখোয়না ঙসি উরিবা লম্বী-লমজাউ ঈশিং থুল্লিবা অসিদসু চপ মান্নবা থিওরিনি। নোং খরা চুরকপা মতমদা ঈশিং তুংলিবা মফম অদু অকুৎপনি। অকুৎপদু মেনখৎলগদি ঈশিং তুংবা ফহনবা ঙমগনি। লুরিবা ৱাফমদি অকুৎপা অদু তোংননবা থোনগৎপা অদু নত্তে। ঐখোয়না লৈনরিবা যুম, শুমাং, ইঙ্খোল অমদি শাংলবা লম্বীদা তারক্লিবা ঈশিং অসি ইতিনফম অমা শেম্বগী তঙাইফদবা লৈ। হায়রিবা ইতিনফম অদু য়ৌখিনবা খোংলম নীংথিনা শেম্লবা অমসুং অপনবা য়াওদনা খোংলম অদুদা ঈশিং চিথহনবা ঙম্লগদি লম্বী-লমজাউদা, লৈরক-কোন্সাংদা নৎত্রগা মরুওইবা মফমশিংদা ঈশিং থুল্লিবা অদু ফহনবা ঙমগদৌরিবনি। ঙসি ঙরাং মণিপুরদা নোং য়াম্না কন্না তাই। নোং চুবগী চাং খরমখৈ ৱাংবা মরম্না অকুৎপা মফমশিং ঈশিং থুম্বগী পাউসু মীয়াম্না তানরি। খ্বাইদগী লাইবক থীবা অমদি তুরেলগী ঈমায়দি কা হেন্না ৱাংদ্রিঙৈদা মরুওইনা ইন্দো-বর্ম্মা রোদকী ককৱা অসেম লৈকায়, থৌদা ভাবক লৈকায়, তখেল্লম্বম লৈকায়, ঙানপী থোংনচিংবা মফম কয়ামরুমদা ঈশিং থুল্লি। লম্বী চৎথোক চৎশিন তৌবদা মীয়ামদা অপনবা থোক্লি। থৌওং অসি হৌখিবা চহীদসু অদুম তৌই। মমাঙ চহীশিংদসু অদুম চত্থরগা লাকই। হৌজিকসু অদুম ঈশিং থুল্লি। ঈশিং থুম্বা ফহন্নবনি হায়দুনা লৈঙাক্লা চহী অমদা লুপা ক্রোর কয়ামরুম হৈথদুনা দ্রেন তেংবা, শেমজিনবনচিংবগী থবকসু লেপ্পা লৈতে। অদুবু মখোয়না শূরিবা থবকশিং অদুনা শাফবা ফীভম অমা পুরকপা ঙমদবনিনা লৈঙাক্কী থৌওং অদু মহয় য়ান্দ্রে, মীওই খরদা থিকা ফংহন্নবা ফীভম ওইনা তৌরে। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, চুরিবা নোং অসি অদুক হাক্লা কনবা অমসুং মীৎ-মায় খঙদবমখৈ চুবা হায়বদুদি নত্তে। পুখ্রি-খোংবানশিং হৌজিকসু কা হেন্না ঈশিং তুংদ্রি। অদুবু লম্বী-লমজাউদা ঈশিং থুমজিনবা হায়বসি ঈরম-খোংলম ফুল্লে, ঈশিং চিথহনবগী থৌশিল মায়থীরে হায়বনি। অসিগুম্বা ফীভম অসি লৈঙাক্লা য়েংলগা কমদৌনা লম্বী-লমজাউদা ঈশিং থুল্লিবা অসি কোকহনগদগে হায়বা খন্নবা চুম্মী। মাগী মাগী খঙন-চান্নবদা থিকা পীবা য়ানবা থৌশিল লৈজরগসু করম্বা থৌশিল পায়খৎলগা ঈশিং থুম্বা ফহনগদগে হায়বদুদি অখঙ অহৈশিংনা পুথোক্তুনা কোকহন্নবা হোৎনবা চুম্লে।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### জে সী আই এল পি এস অমদি মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী খোঙথাং অচুম্বনি শৌগৎফম থোকই

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুর** মীতোপ্লা য়োৎশিনলক্লবা মতমসিদা মরমদম মফুরুপ্পু ঙাক্লবগী ৱাখল্লোন্দা জে সী আই এল পি এস অমদি এমসুনা লৌখৎলক্লিবা ইস্যুশিং মরম চাই অমদি মথৌ তাই। মায়কৈ কয়াদগী মহাক মহাক্কী মীচং খোমদুনা কংলৈপাকসিদা মণিপুর হায়বা মীংথোল পীখিবদগী মৈতৈ/মীতৈ হায়বা ফুরুপসিবু মুখৎনবা হোৎনবা অরোনবা লাল্লোং কয়া শীজিন্নদুনা মহাক মহাক্কী ফুরুপ্পু মশীং য়াম্লবা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লি। কৈথেলগী খোঙ লম্বী খুদিংমক ক্না মনা য়োনবশিংনা লম্বী মথক্তা ফমজিন্দুনা ঙহাক ঙহাক্কী লাকপা পোৎ লৈবশিংদা অমদি লম্বী চৎপদা অপনবা থোকহল্লি। মসিদি কনাসু য়েংশিন্দে। শেল খরা খরা লৌরগা ফমহল্লবরা হায়বগী চিংনবা লৈ। ইমা ইবেলশিংনা লম্বী নাকল-নাকলদা ফল্লিবশিংদুদি ঙহাক লৈতনা পোৎ চৈ চাইখাইবা-লংখাইবা তৌবিরি। চহীগী পাঙথোকপা লাইগী থৌরম লাকপদা ফাওবা মথৌ তাবা এঙ্গাং-নাপি য়োঙরিবা কয়াবু তানখায়বা তত্তনা উরি। মসিগুম্বশিংসি থোকহন্নীংদে। কৈথেল ময়ায়দা পোৎ য়োল্লিবা দুকানশিং অয়াম্বনা ময়াং ঙাক্তা ঙাইরে, মণিপুরসি ময়াং লৈবাক্কা পাংখক ওইরে। মরম কয়াশিং অসিনা মখোয়না লৌনীং-লৌনীংবা মমলদা পোৎ চৈশিং য়োল্লি, কনানসু খঙদে, কনানসু থিগৎপীদে। মৈতৈ/মীতৈশিং মীকপ থোকপা মতম ওইরে।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা লৈরিবা যূমশিংদা শেল খরগীদমক মশীং য়াম্লবা ময়াংশিং থম্নবা হোৎনরি। লমদমসিদা ময়াং মশীং হেনগৎলকপগী তাঞ্জাসিদা মদুগী ৱাথোক-লান্থোক থোরকপা মতমদা যূম্বুশিংনা দায়ত্ব পুগদবনি। মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা য়াওরবসু ঐখোয় মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাং, ৱায়েল থৌদাগী, লল্লোন ঈতিক্কী থবক খুদিংমক ঐখোয়গী ইফুরুপশিংনা তৌহনগদবনি। হৌজিক্তি মীতোপ খুদিংমক মহাক মহাক্কী মরমদা লৈজনবা হলহনখিগদবনি অমদি মতিক চানা টেক্স পীহনগদবনি। এক্সটেন্সন খুদিংগী টেক্স হেনগৎকদবনি। মখোয়দা লমগী মপূ ওইহল্লোইদবনি।

অসিগুম্বা জে সী আই এল পি এসনা মীতোপ মীয়ানচা হেনগৎলকপগী ঈহৌ লৈরিবা তাঞ্জাসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ময়াংনা য়ানবা হোৎনবদগী চহী ৬০ শুরবা তোন্দোস্না হায় স্কুল ময়াংদা পীথোকপদা লমদমসিগী মীয়াম্না য়ারোই হায়না হায়না কয়ারক মখল মখা কয়াগী এজিটেসন তৌরবসু তাদনা সিক্যুরিটিনা ঙাক্তুনা থল্লিবসিনা তাক্লিবদি মখোয়না ফোর্স শীজিন্নদুনা লম মুন্নবগীদমক সিক্যুরিটি শীজিন্নরিব্রা? মণিপুরদা লৈরিবা অঙাংগী স্কুলশিংদা সিক্যুরিটি ঙাক্লগা লাইরিক তম্বা করম্বা স্কুল লৈবগে? ভোট মমাঙদা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা লান্না থবক তৌরম্বদগী নৌনা অমুক এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী পোষ্ট লৌনবা তৌরম্বদু ককখিবগুম গভর্ণমেন্ট স্কুলবু ময়াংগী প্রাইভেট স্কুলদা পীথোক্লিবসিসু রিভিয়ু তৌগদবনি। মফমসি লাইরিক তম্ফম ওইবদা নত্তনা নাগামপাল অমদি স্কুলগী অকোয়বদা লৈরিবা নহারোল অমদি মীয়ামগী শান্নফম অমদি রিক্রেসন তৌফমনি, মসিদা লৈঙাক্লা লানবুং ওইহনবীগনু। লোয়ননা জে সী আই এল পি এসনা তৌরকপা ঈহৌদা নহারোল চাওখৎহনবা কাঙলূপ অমদি কংলৈপাক থৌপাং লূপনা শৌগৎকনি। লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গেনাইজেসন, ইমা-ইবেলগী ওর্গেনাইজেসনশিংনসু শৌগৎফম থোকই।

*অদোমগী - ঐচ ভারত মৈতৈ*
*সেক্রেটরি, নহারোল চাওখৎহনবা কাঙলূপ, উরিপোক*

# লৌমীশিংগী কাখল

## ফৌদা তাবা লায়না অমসুং ঙাকথোক্নবা উপায়

ডা: এম থোইথোই সিংহ





*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা)*

**১. ফৌখোক মুবী (Stem rot)**

লায়না থোকহল্লিবা কোকফই : *Sclerotium oryzae,* Condial stage *Helminthosporium sigmoidium,* Sclerotial stage : (a) S. Oryzae var sigmoidia (Sclerotia with a smooth surface) (b) *S. oryzae* var. irregular (Sclerotia with rough surface)

ফৌথোক চাদা ৪০ ফাওবা হন্থহনবা ঙম্বা লায়নাসি তম্পাক্তা লৌ উরিবা মণিপুরগী লৌফম খুদিংদা থেংনৈ। ফৌগী মরুওইবা লায়নাশিংগী মনুংদা অমনি। লৌবুক্কী চিদাইদা লেপ্লগা য়েংবদদি উদবা, য়াম্না নকশিন্না নৎত্রগা ফৌরক্তা চঙদুনা ফৌখোকশিংদু চেকশিন্না য়েংবদা নৎত্রগা নাপী পেংবা মতমদা লায়নাসি থেংনগনি।

**লায়ওং :**

থাপ্না য়েংবদা খ্বাইদগী মখা তাবা ফৌনাশিং নাপু মচু চঙবা উগনি। ঈশিং ঈমায় মপাদা লৈরিবা ফৌখোক্তা মৈতানমক মুবা মওং মরীল নাইদবা দাগশিং উগনি। লায়না অসিনা পুমহনবগী মওং মতৌ অসি পান্বী অসিমক্কী মনুং থংবা মকাদা ফাওজিনবা ঙম্মী। মতুংদা ফৌখোক য়ৌনা শোকহল্লকই। লায়না অসিনা নারিবা মনা অদুখক কংশিল্লক্তুনা চরু মাল্লকই। ফৌ পান্বীনা মপূং মরৈ ফারকপগা লোয়ননা লায়না অসি নাবগী চাংসু হেনগৎলকই।

অসিগুম্বা পান্বীশিংদগী পুথোরকপা ফৌ চরোংদি য়াম্না পীকই অমসুং থেঙঙি। ফৌ খাওখ্রবা মতুংদা চরুখোকশিংদু য়ুংনা শেগায়দুনা য়েংবদা হঙ্গাম মরূদগী হেন্না কুপ্পা কোকফাই মরূ, স্কেলেরোসিয়াশিং উগনি। লায়না অসিগী তোঙানবা লায়ওংদি স্কেলেরোসিয়াশিং মশীং য়াম্না পুথোকপসিনি। হৌখিবা চহীদা লায়নাসি তাখ্রবদি মথং চহীদা ফৌ লিংনবা শেম্বা মতমদা হঙ্গাম মরূ মানবা স্কেলেরোসিয়া য়াম্না তাওবা উগনি।

**লায়নাসিনা পীরকপা চৈথেং :**

লায়না অসিনা ফৌ পান্বীশিং শোন্থহল্লি। মরূ চঙহন্দে। ফৌথোক হন্থহল্লি। করিগুম্বা লায়না অসি কন্না তারবদি ফৌহাম শাৎহল্লি। খরা থেংনা তারগনা মরূ চঙবা ৱাৎলি। তপ্না তপ্না শিৎপা নুংশিৎনা লায়না চেল্লবা ফৌ পান্বীশিংবু তুহনবা ঙম্মী।

**লায়নাসি তাগনবা মফমশিং :**

১) ঈশিং তুঙ্গনবা, ঈশিং চিথোকপা ৱাবা মফমশিং
২) পোটাসকী চাং নেম্বা মফমশিং
৩) নাইট্রোজেন অমসুং ফোসফরসকী চাং ৱাংনা হাপ্লগা পোটাসকী চাং য়াম্না নেম্না হাপ্পা মফমশিং।

**লৌবুক্তা লায়না অসি হন্না হন্না উবগী মরম :**

ফৌ পান্বীনা মপূং ফারকপগা লোয়ননা থোকহল্লিবা কোকফাই মখলসিসু মশাগী ধারাবু কঞ্জনবগীদমক হঙ্গাম মরূ মানবা রেষ্টিং ষ্ট্রকচর ওইবা স্কেলেরোসিয়া কয়া চরুখোক মনুংদা থনম্মী। মসিনা মথংগী কুম লাকপদা অমুক লায়না শন্দোকই। ফৌ লিংখ্রবা নৎত্রগা হুন্নবগীদমক লৌফমদু ইনাং তানা নৈবা মতমদা স্কেলেরোসিয়াশিংদু ঈশিং মথক্তা কোয়তাও তাওদুনা লৈ। য়েংবদা নাপী মরূশিং ঈশিংদা তাউদুনা লৈবা মাল্লি। লৌ লিংলবা মতুংদদি তাওরিবা স্কেলেরোসিয়াশিংদু সর্ফেস টেন্সন্না ফৌখোকশিংদুদা নপ-নপ্তুনা লৈখি অমসুং মফম অদুদা ময়োন চোংদুনা মরা ইন্থোরকই, ফৌ পান্বীদু লায়না অসি নাবা হৌরকই। অমরোমদা নপহৌদবা তাওদুনা লৈরিবা স্কেলেরোসিয়াশিংদুসু মতোন থোরক্তুনা কোনিদিয়াশিং (কোকফাই মরূ) পুথোরকই। মসিনসু ফৌ পান্বীদা লায়না অসিমক থোকহল্লি। লায়না অসি ফৌ পান্বীনা নুমিৎ ৪৫ নিমুক শুরকপা হায়বদি মচা পোকপা মতমদা অহানবা লায়ওংশিং উবা হৌরকই।

**লায়না ঙাকথোক্নবা পাম্বৈশিং :**

১) নাইট্রোজেন অমসুং ফোসফরসকী চাং হন্থবা, পোটাস (এম ও পি) গী চাং খরা ৱাংহনবা, এম ও পি কিলোগ্রাম ৬৫ পরি অমা চাউবা লৌফমদা হাপ্তুনা লায়না অসি হন্থহনবা ঙম্মী।

২) লায়না চেল্লবা চরুখোকশিং মৈ থাদোক্কনি। নিংথমথাদা হঙ্গাম থারমদাইদা চরুখোকশিং মৈ থাদোকপসিসু লায়না অসিগীদমক্তি কান্নবা অমনি।

৩) ফৌ লিংলমদাই নৎত্রগা হুল্লমদাইদা তাওদুনা লৈরিবা কোকফাই মরূশিংবু জালি অমনা শেল্লবা লোংথ্রাইনা কোখোকহৌগনি। লৌফমদুদগী পুথোকখ্রগা মখা শন্দোরক্তনবা কোমদা ফুমজিনবা নৎত্রগা মৈ থাদোক্কনি।

৪) ঈশিং চিথোকপগী খুদোংচাবা লৈরবদি ঈশিং চিথোক্লবা মতুংদা Hexaconazole 5% মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা ফৌখোক চোৎনবা কাপথোক্লবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা ঈশিং অমুক থাজিনবা য়াই।

# উহৈ পান্বীশিং মশা মরেং থাদোকপা অমসুং পান্বীগী মওং শেম্বা

এস সুমঙ্গল সিংহ



অঙাং অমবু পীক্লিঙৈদগী শেম্বী শাবীদুনা মপুন্সিদা মী ওইনবা অমদি তুং কোয়না মপুন্সি নুংঙাইনা, খুন্নাইগী থবক থৌরম কয়াদা মপূং ফানা শরুক য়াদুনা হিংবা পুন্সি অমা ওইনবা শেম্বী শাবীহৌবা হায়বসিদা মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়গী থৌদং য়াম্না চাউনা লৈ। মতৌ অসিগুম্না হৈকোন শেম্নরিবা নত্রগা হৈ পান্বী অমবু থাদুনা মহয় চাননবা হোৎনরিবা ঐখোয়না হৈ পান্বী অদুবু কুপ্না শেন্নবা অমসুং শেম্বীবা চঙই। পান্বীদুগী মচিঞ্জাক নিংথিনা পীবা, মতম চানা ঈশিং চাইবিবা, লায়না-তিন্নাদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবীবা অসিনচিংবা থবক থৌরম কয়া অমনি। হায়রিবশিং অসি নত্তবা অতোপ্পা মরু ওইবা থবক থৌরম অমা পনবা তারবদি হৈ পান্বী অদুবু মওং চুম্না অপাম্বা মওংদা হৌহন্নবগীদমক চাং নাইনা মতম চানা, মওং চুম্না অমদি মরম চানা মশা মরেং থাদোকপীবা অমদি পান্বীদুবু অপাম্বা অচুম্বা মওংদা হৌননবা শেম্বীবা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইবা থবক থৌরম অমনি হায়জনিংই। মসিবু লৌউ-শীংউবগী লোন্দা প্রুনিং এন্দ ট্রেনিং হায়না খঙনৈ। প্রুনিং হায়বসিনা মশা মরেং ককপবু খঙনৈ অদুগা ট্রেনিং হায়বসিনা পান্বীগী মওং শেম্বীবু খঙনৈ। হায়রিবা থবক থৌরম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মমিং, মওং কয়া অমা লৈখ্রে। পুম্নমক্তু অমমম নৈনবগী মহুত্তা মরু ওইবা উহৈ খরগীদমক থৌরম অসি করম্না পাঙথোক্কদগে হায়বদুগী মরমদা নৈনজগে।

**প্রুনিং মতম :**

নোংজুথা মতমদা উহৈ পান্বীগী প্রুনিং মতম নত্তে। মতমসিদা প্রুনিং তৌবদা অকায়বা কয়া অমা লৈ। মরম অদুনা কনাগুম্বনা খঙহৌদবদগী করিগুম্বা নোংজুথা মতমদা উহৈগী মশা মরেং কক্লুরবদি লায়না-তিন্না কয়া অমা তাশিল্লকপগী খুদোংথীবা নংবা য়াই। মরম অদুনা অয়াম্বা উহৈশিংগী প্রুনিং নোংজুথা লোইরবা মতম ওক্টোবর নবেম্বর মতমদা অয়াম্বা পাঙথোকপীগনি।

**উহৈ পান্বী খরগী প্রুনিং :**

মখোয়গী মশা মরেং ককপগী মওংদি পান্বীনা হৌগৎলকপা মতমদা ফুট অহুম্মুক ৱাংবা মফমদা মতোন অদু কক্কনি। মসিনা পান্বীদু মশা মরেং ময়াম অমা চোংহনবদা মতেং পাংগনি। অসুম্না মশা কয়া অমা চোংলবা মতুং থা তরুক্তগী চহী অমা ফাওবগী মনুংদা অমুক হন্না মায়কৈ মরিদা চোংলকপা মশা অহুম মরিদুনা পান্বীদুগী মপুং ওইবা মশা ওইহননবা শেম্বীগদৌরিবনি। হায়রিবা খাক্লিবা মশাশিং অদুদা উহৈ পান্নবা শেম্বীবা য়ারে। উহৈ পাল্লিবা পান্বীদা চোংলকপা কা-হেন্না মশা ফবা চিথেক নাইবা তিঙ্খং য়াম্না শাংনা পানবা চপ য়ুংনা থিংগৎলকপা মশা য়াওরবদি মদুসু মতম মতমদুদা ককথহৌগদবনি। মখোয়সিবু ৱাটর স্প্রাউৎ হায়না খঙনৈ। থারিবা ঐখোয়নদি পান্বী মশা ফনা হৌরে খনবা য়াই অদুবু মশা অসিনা উহৈ পানগদবা অতৈ মশাশিংবু উহৈ পানবা ৱাৎহনগদৌরিবনি। অতোপ্পা লায়না-তিন্না চেনবা, মশা লোনশিন্নবা, খুদিংমক মতম চানা ককথৎপীগনি।

**হৈনৌ :** হৈনৌ পান্বীদা প্রুনিং তৌবগী মথৌ কয়া তাদে। অদুম ওইনমক অকংবা, লায়না-তিন্না চেনবা, লোনশিন্নবা মশা য়াওরবদি অদুমক ককথৎপীগনি।

**পুঙদোন :** মতম অমদদি পুঙদোন পান্বীদা প্রুনিং তৌনরমদে অদুবু মতমগী মতুং ইন্না হৈকোনগী মেনেজমেন্টতা অহোংবা কয়া অমা লাকপা মরম্না পুঙদোন পান্বীদা প্রুনিং তৌবদা কান্নবা ফংলে। মপুং ফারবা চহী লীরবা পান্বীদুদা চোংলিবা মরু ওইবা মশাশিং অদুদগী মশা ফবা মশা অহুম-মরি খল্লগা নেমতক্লা হায়বদি ফুট অহুম্মুক ৱাংবা মফমদা মশাশিং অদু কক্লবদি অনৌবা মশা কয়া অমা চোংদুনা পুঙদোনশিং নিংথিনা নেম্না-নেম্না মপুং ফানা পানবগী পাউ লৈ। অনেম্বা পান্বী ওইরবনিনা শেন্নবদসু লায়হল্লি।

**অঙ্গুর :** মণিপুরদা অঙ্গুর মায় পাক্লা থাননবা হৌরে। অঙ্গুরদি প্রুনিং অমদি ট্রেনিং তৌবদা য়াদে তৌবতবু য়াম্না চেকশিনবা ফৈ। লম লমগী অমদি মখল তোঙানবগী মতুং ইন্না প্রুনিং মতম অমসুং মওং খেন্নে। পান্বী অসিগী প্রুনিং তৌবদা খঙজিনবা য়াবা খরখক্তং থমজগে। থাবদগী অহানবা মপান শারকপা খুদিংমক থদৎপীগনি। মসিনা পান্বীবু মপুং ফাহনবদা মতেং ওইগনি। পান্বীগী মওং অদু চুম্না কাহনবীগনি। কয়া য়াম্না ৱাংহনগনি হায়বদুসু ঐগী ইশাগী থারিবা মফমগী মতুং ইন্না কাহনবীহৌগনি। শারিবা শাগাইদুগা চাননা মরীশিং অদু মপুং ফানা থাহৌনবা খনবীগনি। মশাশিং অদু য়াম্না কুংনা পাল্লবদি খরা লনথোকহনবা কান্নগনি । মসিনা মশাশিংদা নুংশিৎ অমদি নুংশা মরাং কায়না ফংহন্দুনা মনানা মচিঞ্জাক শুংবদা মতেং ওই অমদি পানবদা মশাশিং অমদি মকোয়শিং লৌথোকপা কান্নে। চরোং পাল্লিবা মশাগী অরোইবদা মনা মরিগুম্বা খাক্লগা মতোন থদৎপসিসু মহয় মপুং ফাহনবদা মতেং পাংই। মণিপুরদা থারিবা অঙ্গুরশিং মখল মশক খঙবগা লোয়ননা শগাই শাবগী মওং খঙদোকপা দরকার লৈ।

করম্বা মতমদা প্রুনিং তৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ হায়বনচিংবা খঙদোক্তুনা মতম চানা মওং চুম্না প্রুনিং তৌরবদি অঙ্গুর থাবগী কান্নবা হেন্না ফংগনি খল্লি। মসিগী অকুপ্পা ৱাফম মমাঙগী খুৎইদা থমজখ্রে। নীংশিংবীগদবা অমনা অঙ্গুরদি চহী ফারবা মরীদা চোংলকপা মশাশিংদা মহয় পানগদৌরিবনি। মরম অদুনা মশা থাবা মতমদা চহী ফারবা মশা মপুং ফানা খাক্লগা কান্নদবা অহেনবা অকুংবা মশা লৌথোকপীগনি। চেকশিনবসু চংই মরমদি চহী ফারবা মশা খাকহৌদ্রবদি মথং চহীদা অঙ্গুর পাল্লোইদৌরিবনি।




**প্রুনিং তৌবগী কান্নবা :**

পান্বী খুদিংমক্কী ওইনা মশা মরেং ককপগী কান্নবা অদুমক লৈ। অহেনবা মশা মরেং লৌথোকপনা পাল্লিবা মহয়শিং মপুং ফাহনবা ঙম্মী। মরমদি কান্নদবা মশা মরেংশিংদুনা অরেম্বদা পান্বীগী মচিঞ্জাক চাথোকখিবা মরম্না পাল্লিবা উহৈ মপুং ফাবা ৱাৎহল্লি। মখোয়না শীজিন্নথোকখিগদবা মচিঞ্জাকশিং অদু পাল্লিবা উহৈশিংদা ফংহন্দুনা মপুং ফানবরোমদা ওইনা শীজিন্নহনবা ঙমহল্লি হায়বনি।

**মশা ককপগী মওং :**

মশা ককপা মতমদা মশা অদু পাল্লিবা মওং নত্রগা মশা অদুগী মখোং থেংনা ককপীগনি। মসিনা অককপা মফম অদু থুনা ওইশিনবদা মতেং পাংই। মখোঙ থেংনা ককপা য়াদবা নত্রগা থেংদনা কক্তবা য়াদবা মওং ওইরগনা ককফম অদুগী মমায় অদু মখাদা ওন্থবা মওংদা থম্বীগনি। মসিনা লিক্লা নত্রগা নোংগী ঈশিং তুংশিন্দুনা মশা অদু কোকফাই শুজা তাবদগী কনবা ঙম্মী।

চম্প্রা, কোম্লা, অঙ্গুর, পুঙদোন্নচিংবা পান্বীদি য়েন্নিং হুন্না হুন্না অনৌবা হুল্লিবা মশাদুদা মপাল শাদুনা মহৈ পাল্লি। অসিগুম্বা পান্বীদমক্তি অরিবা মশা চহী ফারবা নত্রগা খরা হেল্লবা মশাশিং মপু ফানা খাক্লবদি মথং চহীদা উহৈ নিংথিনা পানবা ঙম্মী। নাসপতি, চুম্ব্রে, হৈখা মালহৈনচিংবা পান্বীদা অরিবা মশাদা তিঙ্খং মানবা স্পুর হায়না খঙনবা শরুকশিং থিন্দোক থিন্দোক্তুনা য়াওই। হায়রিবা স্পুরশিং অসিদনি মপাল শাদুনা উহৈ পানগদৌরিবসি। মশা থাবা মতমদা অসিগুম্বা স্পুর য়াওবা মশাশিং লোইনা থাদোকখ্রবদি মথং চহীদা উহৈ পাল্লোইদৌরিবনি। মরম অদুনা য়াম্না চেকশিন্না স্পুর য়াওবা মশাশিং খাক্লগা স্পুর য়াম্না য়াওদবা অহেনবনি খনবা মশাশিংদমক থাদোকপীগনি ।

অসুম্না উহৈ খুদিংমক্কী মরমদা খঙদোক্লবা হোৎনরবদি উহৈ থাবগী কান্নবা খরা হেন্না ফংগনি খল্লি।